# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 23-02-2025)

**রিলিফ (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা ঙসি জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা সাইকল অমসুং ফিশাকোল য়েন্থোকখ্রে। তেংবাংগী পোৎলমশিং অদু ভারত সরকারগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয় অমদি পৱার গ্রীদ কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদকী সি.এস.আরগী মখাদা য়েন্থোকখিবনি।

পোরোম্পাৎকী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভাবনদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা নুপী ফিশাবীশিংদা পুন্না ফিশাকোল ২৯৬ অমদি ফি শাবদা চংবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি। মহৈরোইশিংদা সাইকল ৩০০ সু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা চীফ সেক্রেটরি-প্রসান্ত কুমার সিংহনা হায়-রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অদু খঙবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি। ইরাং অসিনা চহি অনি হেন্না অৱাবা নংলবা মীওইশিং অসিনা অৱাৎপা কয়া মায়োকরি হায়বসি খঙই। মহাকা হায়-রিলিফ কেম্পশিং অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা হেন্না মপুং ফানা মতেং পাংনবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি। ইরাংনা মরম ওইদুনা ময়ুম-মকৈ মাঙ তাকখ্রবা মীওইশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা অসি য়ামা থৌনা অমসুং থাগৎনিংঙাই ওই। মীয়ামনা মখোয়বু মতম পুম্বদা থৌনা হাপ্পীগদবনি।

থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-খুমন্থেম দাইনানা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা রিলিফ কেম্প ১৭ অমসুং প্রি-ফ্রিবিকেটেদ হাউস য়ুনিট ৪০০ দা পুন্না মীওই লিশিং ৪,৮৯৪ লৈরি। মহাকা হায়-মীওই ২৯৩ দি শান্তি রাক্সাগী ফিভম খরা ফগৎলকপদগী ময়ুম ময়ুমদা হন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা হোমগী কম্মিস্নার-এন. অশোক কুমার, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এস.পি. এন. জোন্সন মীতৈনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**মেট (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ঙসি অমসুং হয়েং অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

ইন্দিয়া মেরিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফালনা সেন্টরগী চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলগী মফম খরদা পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবগী চাংদা য়াংনা নুশিৎ শিৎলবা য়াই।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীবা দাটাগী মতুং ইন্না ঙসি সেনাপতি জিলাদা চুখিবা নোংগী চাং অসি মিলিমিটর ৩.৯ অমদি কাংপোকপীদনা ৩.৬ ওইখি।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** লৈবাক অসিদা চৎননবা হোৎনরিবা দা এদভোকেটস এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৫ অসিগী মায়োক্তা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসননা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখে।

ককচিংগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্স কেম্পসতা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা অদুদা বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা লৌরকপা ৱারেপ অমদি বিল অসিবু অমুক হন্না য়েংশিনবীনবা দাবী তৌরি।

**ফয়ার (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী তৌসেম দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা থুইলোন খুলদা ঙসি অয়ুক য়ুম অমা মৈনা তুমা চাকখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমী-রিংবম কামৈনা হায়-মৈ অসি য়ুম অদুগী মৈ হৌগৎতুনা থন্বা মফম অমদগী চাক্লকপা ওইগনি হায়রি। মৈ চাকপা অদুদা লাখ অমা মখায়রোমগী মাল চাং মাঙ তাকখ্রে হায়রি।

**কম্মুনিষ্ট (এল)ঃ** কম্মুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী ৫৪ শুবা লোকেল কনফরেন্স ঙসি ককচিংদা পাঙথোকখ্রে।

ককচিং সলাম লৈকাইদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱারেপ কয়া লৌখি। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা মনিপুরদগী রাস্ত্রপতি সাসন অথুবা মতমদা লৌথোক্তুনা সরকার অমা লৈহন্নবা তকশিনবা, ককচিংদা লন্বী থোংগী ফিভম ফৎত্রিবা অসি মতমগা চুন্নবা মওংদা মরী লৈনবশিংনা শেমজিনবীনবা হায়জবনচিংবা য়াওরি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম মনিপুরি সাহিত্য পরিষদকী ৫২ শুবা চহিগী মীফম ঙসি জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ (জিমপাল) গী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী দাইরেক্তর-কে. দিনমনি শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা সাহিত্যগী মনা অহুমসু য়েন্থোকখি। জিরি লৈকোল কৌবা চেফোং অমসু পুথোকখি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নুপীগী শক্তিবু ইকায় খুমবা ওইনা লাক্লিবা মার্চ ৮ অসি মালেমগী নুপীগী নুমিৎ হায়না পালন তৌগদৌরি।

অকাশবানিদা শন্দোকখিবা প্রধান মন্ত্রিগী মন কি বাট থৌরমদা লৈবাক অসিদা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থমদুনা ইকায় খুমবগী চৎনবী অসি মৈহৌরোলদগী চৎনদুনা লাক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-তোঙান তোঙান লম কয়াদা লৈবাক অসিগী নহাশিংনা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লিবা অসিনা লৈবাক অসিবু মাংলোমদা চংশিন্নবগী লন্বীদা পুরি। স্পেসকী লমদসু লৈবাক অসিগী নহা কয়া লম অসিদা চংশিনদুনা অনৌ অনৌবা টেকোলোজিশিং পুথোকবা হোৎনরি। স্পেসকী লম অসিদা নহাশিংনা হৌজিক হৌজিক য়ামা পামা চংশিন্নরক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-থা অসিগী ২৮ দা নেসনেল সাইন্স ডে পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিদা রিছার্স লেব, প্লানেতোরিয়ম নৎত্রগা স্পেচ সেন্তরগুম্বা অমদা

চত্তুনা নুমিৎ চুপ্পদুমা সাইন্তিষ্ট অমা ওইনা লৈবিয়ু।

মথং থা হৌরকপদা ৱার্ল্ড ৱাইল্ড লাইফ ডে পালন থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা লল্লক্কী শা-উচেক ঙাক শেনবগী থবক থৌরমশিংগী মরী লৈনবা মীওইশিংবু পুকিং থৌগৎপীনবসু প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি।

বোর্দকী পরিক্ষা থারিবা একজাম ৱারিয়রশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা শ্রী মোদিনা পুকিং লাংতকবা অমদি নুংনাংবা অমত্তা য়াওদনা থৱায় নুংঙাইনা পরিক্ষা থানবসু হায়রি। নমো এপ্পতা ফংলিবা হন্দক পাঙথোকখিবা পরিক্সা পে চরচাগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্ককশিং শুকশোই শোইদনা য়েংনবসু শ্রী মোদিনা হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকার অসিগী সব কা সাদ, সব কা বিকাশ হায়বসিদা মীপুম খুদিংমক্কী হকশেল হায়বসিনা মরুওইবা পান্দম ওইনা য়াওরি।

মধ্য প্রদেসকী ছাতরপুর জিলাদা ভাগেশ্বর ধাম মেদিকেল এন্দ সাইন্স রিছার্স ইন্সটিট্যুটকী যাত্রা হুনবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লাইশঙশিং অসিসু লাই খুরুম্বতা নত্তনা বিগ্যান অমসুং মীয়ামগী ৱাখল্লোনগী মফম অমসু ওইরি। শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী মুনি রিঝিশিংনা আয়ুরবেদ অমসুং যোগগী ৱাখল্লোন হৌদোক্তুনা মালেমগী মফম পুমমক্তা হৌজিক মীপুম খুদিংমকা পামরি।

প্রধান মন্ত্রিগী মধ্য প্রদেস, বিহার অমসুং অসামগী নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা ঙসি মধ্য প্রদেসতা থুংখি। ভোপালদা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা গ্লোবেল ইনভেষ্টর সমিটসু ঙসি প্রধান মন্ত্রিনা হৌদোকখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং বিহারগী ভগলপুরদা পি.এম. কিষান স্কিমগী ১৯ শুবা ইন্সটোলমেন্ট মীয়ামদা য়েন্থোক্কেনি। লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ৯ লাখ ৭০ হেনবদা লুপা কোতি লিশিং ২১,৫০০ হেন্না য়েন্থোক্কনি। মফম অদুদা শ্রী মোদিনা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগী যাত্রা হুনগী খরনা

শঙ্গাগনি। মসিগী তুংদা প্রধান মন্ত্রি অসামগী গুৱাহাতিদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এদভান্সটেজ অসাম টু পোইন্ট জিরো ইনভেষ্টমেন্ট অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর সমিট ২০২৫ হৌদোক্কনি।

**দ্রৌপদি ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা স্বামী দয়ানন্দ সরসৱতিগী মপোক কুমওন নুমিৎনা লাকপদা ঙসি ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-শিক্ষা অমসুং মীয়ামগী ওইবা থৌরমশিংদা স্বামী দয়ানন্দনা মরুওইবা থৌদাং লৌরম্মী। মসিনা সমাজ অসিদা অচৌবা অহোংবা পুরকপা ঙমখি।

শ্রীমতি মুরমুনা হায়-মহাকা তাকপীরম্বা ৱাখল্লোনশিং অদুনা লৈবাক অসিদা অফবা অওনবা পুরকপা ঙম্মী। মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং অসিবু ঐখোয়না মতম চুপ্পদা তমজনিংঙাই ওইরে।

**নেভিঃ** ভারত নেভিনা মহারাস্ত্রা টুরিজম দিবলপমেন্ট কোরপোরেসনদা লেন্দিং সিপ টেঙ্ক-আহ.এন.এস. গুলদর খুৎশিন্নরগনি। শিজিন্নবা য়াদ্রবা জহাজ অসি ভারতকী ওইনা অহানবা ঈশিং মনুংগী ম্যুজিয়ম ওইরগনি।

**তেংবাং ঃ** হন্দক্তা নোংলৈ নুংশিৎ-সরানা শোকহল্লবা হেন্দুরাজতা ভারতনা তেংবাংগী পোৎলম মেত্রিক টোন ২৬ পীখ্রে।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়-পোৎলমশিং অদগী মনুংদা হিদাক লাংথক্কী পোৎলমশিং অদুদা-গ্লুকোমিটর, ওক্সিমিটর, গ্লোব, সিরিঞ্জনচিংবা অমসুং দিজাস্তর রিলিফকী পোৎলমশিংগী মনুংদা ব্লাংকেট, স্লিপিং মেট, হাইজিন কিটনচিংবা য়াওরি।

**পিছকিপ্পরঃ** ৱিমেন পিছকিপ্পরশিংগী অহানবা মীফম হয়েং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম অসি কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না ঙাকশেল মন্ত্রালয় অমসুং সেন্টর ফোর য়ুনাইটেদ নেসন্স পিছকিপ্পিংগা পুন্না শিনবনি।

থৌরম অসিদা মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: জয়শঙ্কর শরুক য়াগনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওইনা য়ু.এন. অন্দর সেক্রেটরি জেনরেল দিপার্টমেন্ট ওফ পিছ (ওপরেসন) অমসুং য়ু.এন. স্পিপসিএল কো-ওদিনেটর য়াওগনি।

**দিল্লি** ঃ নুমিৎ হুমি চথুগদবা ৮ শুবা দিল্লি বিধান সভাগী অহানবা মীফম হয়েংদগী হৌরগনি। দিল্লি এসেমব্লিগী চেরোল অমনা হায়- মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা নৌনা খল্লবা সদস্যশিং ৱাশক লৌগনি। নুমিৎ অসিমক্তদা অধ্যক্ষগী মীখলসু পাঙথোক্কনি। মীফমগী নিনি চনবা নুমিৎতা দিল্লিগী উপ-রাজ্যপাল বিনয় কুমার সক্সেনানা সভাদা ৱা ঙাংগনি অমসুং মমাংগী সরকারগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈনবা সি.এ.জিগী রিপোর্টসু সভাদা পুথোক্কনি।

মরক অসিদা, উপ-রাজ্যপালনা এম.এল.এ. আরবিন্দর সিংহ লভলিবু প্রোটেম স্পিকর ওইনা হাপখ্রে। মহাকা অনৌবা এম.এল.এশিংগী ৱাশক লৌগনি।

**রেখা** ঃ দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-রেখা গুপ্তাগা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগা ঙসি ন্যু দিল্লিদা উন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী সাহনা হায়-দিল্লিগী মীয়ামনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থৌশিল অমদি মতিক চাবা লুচিংবা অমনি হায়বগী চপ চাবা ৱাখল্লোন অদু লৈ হায়বা খঙলে। মহাকা হায়-মখোয়গী থাজবা অদু হন্দক্কী মীখল অসিনা উৎলে। শ্রী রেখা গুপ্তাগী

সরকারনা দিল্লিবগী মীয়ামগীদমক অনৌবা চাউখৎ থৌরাংগী মায়ওন অমদা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহগসু রেখা গুপ্তগসু উন্নখি। শ্রী রাজনাথনা রেখা গুপ্তাদা মহাক্কী সরকারনা দিল্লিবু চাউখৎপা লম্বীরোমদা অমদি অফবা লৈঙাক সাসন থমবা য়াইফ মাঙ্গোল পীখি।

**লৌমী ঃ** কেন্দ্রনা লৌমীগী ওর্গনাইজেসনশিংগা মার্চ ১৯ দা মথংগী তাঙ্কক্কী ৱারী শান্নগনি। ৱাফম অসি কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না চাণ্ডিগরদা খোঙজং চংশিল্লিবা লৌমীশিংগা উন্নরবা তুংদা লাউথোকখিবনি। শ্রী চৌহান্না হায়- কিষান মজদুর মোর্চা অমসুং সমজক্তা কিষান মোর্চা (নোন-পোলিতিকেল)গা ঙরাং ৱারী শান্নখিবা অদু মরুপ মপাং ওইবা মওংদা শান্তি ওইনা চথখি। ৱারী শান্নবা অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং- পিয়ুস গোয়ল অমসুং প্রহ্লাদ জোসিসু য়াওখি।

ৱারী শান্নবা অদুদা য়াওখিবা পঞ্জাবকী শেল থুম মন্ত্রি হরপাল সিংহ চিমানা হায়- মখোয়না মহে মরোংশিংগী মিনিমম সপ্পোর্ট প্রাইস (এম.এস.পি)গী মতাংদসু কুপা খন্নখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা ফোর্স-ক্ষেত্রিগাউনা অল-অমিন লিলোংবু ৱিকেট তরুক্তা মায়থিবা পীখ্রে।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু পরহাদা এন্দ ডব্লিয়ু রামানন্দা এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন-থাংমৈবন্দনা এ.এস.য়ু ৱাংখৈবু রন-২১৭ তা মায়থিবা পীক্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.সি.সি.সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু রন-১৪৮ মায়থিবা পীখ্রে।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফোরটিন বোইজকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা এ.কে.এস. দি.ও. খাঙবোকনা অল-আমিন লিলোংবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱাই. ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন-২০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈনা এস.এন.সি. সঙাইপ্রৌবু ৱিকেট তরুক্তা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** টি.ঐচ. মাইমু এন্দ নুংশিরৈ মেমোরিএল ত্রষ্ট ফুটবোল টুর্নামেন টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা গোর্ল্ডন এফ.সিনা কিক মাস্তরবু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিনদুনা থা অসিগী ২৮ দগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিএল তব গ্রাউন্দদা অমদি শগোলমাংদা পাঙথোক্কদবা ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ফিক্সর ঙসি থোকখ্রে।

**হেন্দবোল (এল)ঃ** ৩৬ শুবা ষ্টেট লেবেল মিণি বোইজ এন্দ গালর্স হেন্দবোল চেম্পিয়নসিপ থা অসিগী ২৬ তগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাউ গ্রাউন্দদা হৌরগনি হায়রি।

**এঠলেটিক (এল)ঃ** তরুকশুবা নেসনেল মাস্তরস এঠলেটিক চেম্পিয়নসিপতা মনিপুরগী মহুৎ শিনদুনা শরুক য়ারুবা অমদি তকমান লৌরক্লবা শান্নরোইশিং, মনিপুর মাস্তরস এঠলেটিক এসোসিয়েসননা শিনদুনা খুন্মন লম্পাক য়ুথ

হোষ্টেলদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।